লোকনায়ক জয় প্রকাশ নরায়নগী ১১৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): লোকনায়ক জয় প্রকাশ নরায়ন বার্থ দে সেলেব্রেসন কম্মিটি অমসুং লোক তন্ত্র সেনানি সঙ্ঘ, পূর্বাঞ্চল ক্ষেত্র মণিপুর অনীনা পুন্না শীন্দুনা লৈখিদ্রবা লোকনায়ক জয় প্রকাশ নরায়নগী ১১৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

Total Revolution
115th Birth Anniversary of Lok Nayak Joy Prakash Narayan

থৌরম অদুদা ককচীং এ সীগী এক্স-এম এল এ, ৱাই থম্বালনা চীফ গেষ্ট অমসুং এম ইবোতোম্বী প্রসিদেন্ট লোক তন্ত্র সেনানি সঙ্ঘ মণিপুরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোকনায়ক জয় প্রকাশ নরায়নগী অয়েকপা শক্তমদা লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবা এম ইবোতোম্বীনা হায়খি, লোক তন্ত্র সেনানি সঙ্ঘ হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা মফম কয়াদা চাউনা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন অমনি। কুমজা ২০০৮দা লিংখৎখি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি চহী অসিগী জন্যুৱারী ১০দা হাংদোকখিবনি। নহানমখৈ কাউথোক্তুনা লৈরুরে। অদুবু থেংলবসু থেংনা মণিপুরদা ব্রাঞ্চ অমা হাংলকপা অসিনা জয় প্রকাশ নরায়ন্না তৌরম্বশিং অদু নীংশিংবনি।

টোটেল রেভল্যুসন হায়না মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং অদু মীয়ামদা অমুক হন্না নীংশিংহনবগা লোয়ননা খুন্নাইদা অওনবা পুরক্নবা হোৎনবনি। লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী ৱাখল হোংদোকপা চঙই। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিসু জয় প্রকাশকী মতমদা লৈবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মেন্টেলিটি অমদি গভর্নান্সকা মরী লৈনবগুম তৌই। ঙসিসু করপ্সন ফ্রী ওইবা গুদ গভর্নান্স ওইবা, ট্রান্সপরেন্সী লৈবা ইন্দিয়া ওইনা শেমগৎনবগী মঙলান শাগৎলমই। কুমজা ১৯৭৫গী এপ্রিলদা ইন্দিয়া লৈঙাক অসি য়াম্না মোৎশিল্লকপা, চান-থক্লবা পোৎচৈগী মমল তাঙশিল্লকপা, লৈঙাক ৱায়েলদা ফৎলক্তবা, শেঞ্জা থুমজা কা হেন্না তৌরকপা, এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা শোয়রকপা কয়া অদু থেংননবা হোৎনরমই। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা অফবা ৱাখল লাক্লরোই হায়বা ৱাখল্লোন অদু হোংদোক্লবা হোৎনখি। মহৈরোয়শিং লূপ কয়া খোমজিন্দুনা ৱাখল্লোন তিন্নবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগা পুনশিন্নদুনা ঈহৌ হৌনবা হোৎনখি।

দিল্লিগী রাম লীলা মৈদান্দা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোককখি। মদুদগী হৌদুনা মহাক্না লোয়নবা ময়াম ফানবা হোৎনবদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা ইমর্জেন্সী লাউথোক্তুনা লৈবাক অসি অৱা-অনা খমথেংনা নংহনখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী ৱাঙাঙলোয় ওইখিবা লৈহাওথাবম শরতচন্দ্রনা হায়খি, ইমর্জেন্সী লৈখিবা মতম অদুদা ফংখিবা অৱা-অনাগী চৈথেংশিং অদু মীয়াম্না হুপ্পা ফংখি হায়বা তাই। জয় প্রকাশনা তৌরম্বা থবকশিং অমদি লূচিংবা ওইদুনা জনতা পার্টি লিংখৎখি। ইমর্জেন্সী মতম অদুদা নুপা ফাওবা মচা পোক্তনবা সাইন্টিষ্টশিংনা থৌওং কয়া চত্থনবা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা থেংনখি। মহৈরোয় ময়ামসু ইমর্জেন্সীগী অৱাবা নংখিবনি। কুমজা ১৯৭৪দা সোসল মুভমেন্ট অমা লাকখি। মতম অদু ইন্দিয়াদা য়ুনিয়ন অমত্তা লৈবা য়ারোই হায়না থিংজিনবা মতাংদনি। হৌজিক্তি জনতা পার্টি হায়বদু লৈত্রে। আর এস এসতা পুন্দুনা লৈরি।

বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশ অনীগী লোন্নবা মলে খুঙ্গংদা কুমজা ১৯০২দা জয় প্রকাশ নরায়ন পোক্লগা কুমজা ১৯৭৯গী ওক্টোবরদা লৈখিদবনি। কুমজা ১৯২০দা প্রভাবতিগা লুহোংখি। অদুবু মহাক্কী লোয়নবীসু গান্ধীগী আশ্রমদা ঙাওজবা নুপীনি। কুমজা ১৯২০দা লুহোংলবা মতুংদা জয় প্রকাশ নরায়ন অমেরিকাদা লাইরিক তম্বা চৎখি। মহাক্কী লোয়নবীনা গান্ধী আশ্রমদা লৈহৌখি।

অমেরিকাদা লৈরিঙৈদগী থেংনখিবা পূন্সিগী শরুক অসিনা মহাকপু রেভল্যুসনরি ওইহন্নবগী ৱাখল্লোন পোকহনখি হায়না খল্লি। মাক্সিজমগী ওইবা ৱাখল্লোন অসি মাগী লিটরেচর পাবদা খঙবা ঙমই। সোসলিজম অমসুং কম্ম্যুনিজমদা চঙশিল্লক্তুনা মতম অদুদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি লৈতে। নেহরুনা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লবা হায়রকপদগী কুমজা ১৯২৯দা কোংগ্রেসতা য়াওখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট একে সনাতোন, মান্নবা পাউচেগী এদিটর কে শ্যাম, সিনিয়র জর্নেলিষ্ট বি বি শর্ম্মা, এক্স মিনিষ্টর কে ঐচ জিবোননচিংবনা ৱাঙাঙলোয় ওইখি।

লৈঙাক্লা তৌফম থোকপা খরদি তৌবীয়ু : ৱাই কে এ এল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ইরমদম চীংলৈবাক কন্নবা অমসুং ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী কন্নবা লৈঙাক্লা তঙাইফদবা থবক কয়া অদু পায়খৎপীয়ু হায়না য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লূপ (ৱাই কে এ এল)না ফোঙদোরক্লি।

ৱাই কে এ এলগী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, পীকখ্রবা চীংলৈবাক অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওই খূদিংমকপু সিটিজেনশিপ হেক্তমক ওইহনবা, লম লৈবা য়াহনবা অমদি খুন্দা লৈতাহনবগী থৌওংসি মখা তানা অদুমক চত্থরবদি ইরমদম চীংলৈবাক অসি মীগী ওইখ্রগনি।

ইরমদম অসিগী মরুওইবা মফম পুন্নমক মীতোপশিংনা পায়শিনখ্রে। মসি লৈঙাক্লা মতম চানা থবক লৌখৎহৌদবদগী ওইরক্লিবনি। ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী পুন্নমক ইথক ঈরাং তৌদুনা কুন্ধে ফিয়োংদা ঙাওদুনা লৈথোক্লি। তুংদা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং কদাইদা করি করম্না থবক শু নোম্লগা হিংহৌগনি। লৈজরিবা পীকখ্রবা ইরমদম অসিদগী অতোপ্পা মালেমগী অমত্তদা ঐখোয়গী লৈফম ফংগদ্রা হায়বসি খন্থবা মথৌ তারে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীশিংসু য়ামখৎলক্লবা, লাইরিক-লাইশু, মহৈ-মশিন নীংথিনা হৈরবা অদুগা লৈনবা লমনা মীতোপ্তা অসুম য়োম্থোক্লগা মমৈদা ঐখোয় কদাইদা লৈগনি হায়বসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লম ঙাক শেন্নবা কাঙলোন শেম্বগা লোয়ননা য়েলহৌমীশিং কন্নবা লম্বী শেম্বীয়ু।

ইরমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা মীতোপকী ইরোলনুংদা লুপখ্রগা ঙসি লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়রিবা ব্যুরোক্রেটশিং অমদি লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাক্লোয়শিং খক্তা লৈহৌবা য়াগদ্রা হায়বসি খন্থবীবা চুমগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম অসিগী ঙাক শেন্নবা লেন্দ প্রোটেক্স লো শেমদুনা চৎনহনবা মথৌ তাই। লৈঙাক অসিনা শেন্থোক লৈজদবশিংবু শেন্থোক লৈনা হিংজনবা ইকনমিক পোলিসি পরম চুম্না শেম্বীবগী তঙাইফদবা লৈ। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীথরকপা লায়রবশিংনা ফংগদবা খুদোংচাবা পুন্নমক ইনাক খুনবশিংনা লৌদুনা লাক্লিবা অসিগী চৎনবীসি তোকপা লোয়ননা মান্নবা খুন্নাই শেম্বা মথৌ তাই। হীরম অসিদা লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

অমরোমদা, ইরমদম অসিগী অপুনবা পাক চাউবগী চাদা ৮ খক ওইরিবা তম্পাক লম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি চীংদা খুন্দারিবা তাঙ্খুল, কবুই, মরিল, অনাল, চোথে হায়দুনা ফুরুপশিংগা খেন্নবা করিসু লৈতে। নাৎ, কলচর অমদি হৌরকফম মান্নে। তোঙান তোঙানবা খাইদোক্তুনা থল্লিবা পল অসিসু লৌথোকপা মথৌ তাই। মদু লৌথোক্তবা তারবদি মেরা হৌ চোংবনচিংবা পাঙথোক্লিবসিগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মচিন-মনাওনি হায়না চিন্দা ঙাংলগা ময়াম্বনা হন্থবা থাক্তা লৈবনি, চাউখৎপগী মমি তাদ্রিবনি হায়বা, মনাওনা চাউখৎলে, অৱাংবা থাক্তা লৈরে, চাউখৎপদা মনিং হনবা মথৌ তাদে, ট্রাইব ওইনা হিংবা ঙম্লোই হায়রগদি চীং-তম পোৎ লান্নদুনা ঈগী মরী থিরিবা অদুগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা হায়না হংলক্লি।

ইরমদম অসিগী য়েলহৌমী কঞ্জনবা মীয়াম্না লাউ-খোংনরি। তোঙান তোঙানবা ঈহৌ কয়াসু হৌরি। অদুবু ট্রাইবতি ট্রাইব ওইনা অদুমক লৈগদবনি হায়বসি ককপা য়ারোইদবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা অচুম্বা ৱাফমসিদা য়ুম্ফম ওইরগা তুং কোয়না চৎনবা য়াগদবা য়েলহৌমী কনবা য়াবা লম্বী অমা শেম্বীনবগী ৱাখল্লোন্দা লৈঙাক্কী তৌফম থোকপা থবক খরদি তৌবয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা রেগিং তৌবা থিংলে : এম এস এফ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না মণিপুরদা রেগিং তৌবগী চৎনবী থিংলে। মহৈরোয় খূদিংগী মরী লৈনবা মফম অমদি হীরম খূদিংদা রেগিং তৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এলাংবম অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৮ অমসুং ৯গী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী জে এন ভীদগী ক্লাস সেবেন তম্লিবা মহৈরোয় ১৭পু সিনিয়র ক্লাস ওইরিবা ক্লাস আইট তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা ফুবা চৈবা, ওৎ-নৈবনা মরম ওইরগা স্কুলদগী চেন্থোরকখিবা থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী মহৈরোয় খুন্নাইগী ঈথিল শোকপা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিবু এম এস এফনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতমদা অমুক হন্না থোকহন্দবা হোৎনগদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রেগিংগী থৌওং চত্থরকপা মতমদা এম এস এফতা পাউ পীবিয়ু অমদি মদু চপ চানা থেংনগনি। মহৈ-মশিন তম্বা খক্তনা মহৈরোয় অমগী থৌদাং লোইবা নত্তে। লৈবাক অমা নৎত্রগা খুন্নাই অমবু চাউখৎপা অমদি অফবা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা অমসুং হয়েংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবা, মোরেল য়াওদবা মতৌগুম রেগিং চত্থবা অসিমক মহৈরোয় খুন্নাইদা য়াম্না ঈকায়বা অমদি থম্মোয় কায়বা থৌদোক অমনি।

থৌদোক অসি এম এস এফনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অসিবু অসুক হান্না থাক হন্থখ্রবা, দিসিপ্লিন অমদি মোরেল অদুক হাক্লা দাউন ওইরব্রা হায়না থম্মোয়নুংদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওজৈ হায়রি।

রেগিং তৌবগী চৎনবী অসি অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা চত্থবা থেংনবসু মণিপুরগী লৈমায়দদি অঙকপা অমা ওইনা ফাওই। জে এন ভী অসি অফবা স্কুলশিংগী মনুংদা অমনি। অফবা মতিক চাবা মহৈরোয় কয়া তম্লি অদুবু মোরেল ৱাৎপা মানবা মানবা অমদি ৱাখল খন্থবা মানবা মহৈরোয় খরনা স্কুল অসি চেন্থহন্নবা হোৎনবীগনু। তুংগী মীৎয়েং লৈবা মহৈরোয়শিংগী খুদম নত্তে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

মহৈরোয় অমা ওইনা দিসিপ্লিন ঙাক্লা চৎপা ফৈ। নখোয়গী অফবা মতৌবু হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা তম্লবা মতমদতা নখোয়বু ঈকায় খুম্নরক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মহৈরোয়শিংনা রেগিংগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। য়াম্না লৈবাক মচা তাবশিংগী মতৌ তমউ হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কুম্বীদা সোসল সার্বিস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীলর খাঙেম্বম তিলোতামা, মেম্বর ৱাহেংবম মংলেম অমসুং খাঙেম্বম দেবেন য়াওনা মীয়ামগা লোয়ননা কুম্বী কৈথেলদা নোংমগী ওইবা সোসল সার্বিস কম এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন এন্দ ওবজার্বেসন ওফ স্বাছতা পখ্বাদাগী মখাদা ক্লিন এন্দ গ্রীন টাউন হায়বা থিমদা লু-নানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফমদা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ৭শুবা পে পীনবা লাক্লিবা নবেম্বর ২দগী চঙশিনগ-দৌরিবা খোঙজং অসি মণিপুর গভর্ণমেন্ট সার্বিস ফেদরেসন্না শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী মীহুৎ ২/২ থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ১ তাবদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা খন্ন-নৈনগদৌরিবা অসিদা শরুক য়াবীনবা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইভনিংগী ষ্টোল ওপরেটরশিংগী ওইবা এৱ্যেরনেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি হায়রি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ইম্ফাল ইভনিংদা কেসলেস ট্রান্সজেক্সন, গুদস এন্দ সার্বিস টেক্সকী মরমদা খন্ন-নৈনগনি। প্রোগ্রাম অসিদা ষ্টোল ওপরেটরশিং, ইম্ফাল সিটি অমসুং সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মীওইশিংনা শরুক য়ারনবা জোইন্ট দিরেক্টর মাহুদ দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ক্বাদ্রিনিয়েল কনফরেন্স

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): মণিপুর বেপ্টিষ্ট কনভেন্সন (এম বি সী) ৱিমন দিপার্টমেন্টকী মখাদা এম বি সীনা শীন্দুনা ২শুবা ক্বাদ্রিনিয়েল কনফরেন্স থা অসিগী ২০দগী ২৩ ফাওবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চরোই খুলেন ভীলেজগী চরোই খুলেন বেপ্টিষ্ট চর্চতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এরাইজ এন্দ সাইন হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ৪/৪গী ওইবা কনফরেন্স অসি চিরুরেম বেপ্টিষ্ট চর্চেস এসোসিএসন্না হোষ্ট ওইগনি। এম বি সীগী এসোসিএসন ২৯ লৈবগী মনুংদা অমা ওইরিবা বেপ্টিষ্ট খৃষ্টান য়ুনিয়নগী লূচিংবা কয়ানা থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): দিৱালিগী মিংদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা নুপী-অঙাং খায়দনা লগাও খাওবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসিদগী কলহৌনবা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু। মরুওইনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী পার্সনেলশিংনা লগাও খাওরিবা মীওইশিংগা মান্ননা চৎপগী থৌওং চত্থবীগনু হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

ভী দি এফকী থা ২গী ওনরেরিয়ম পীথোক্লবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভী দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মীফম অমা থা অসিগী ১০দা পাঙথোক্তুনা হৌজিক পীথোক্তনা লৈরিবা ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাগী ওনরেরিয়ম পীথোক্তনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে।

ওল মণিপুর ভী দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন রোমেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা ২গী ভী দি এফকী ওনরেরিয়ম পীথোক্তনা থল্লিবা অসিগী মতাংদা থিজিল্লুবদা হৌখিবা জুলাই ২৫দা অন্দর সেক্রেটরি ফাইনান্স গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট পুন্নমক্তা গ্রান্ট ইন এইদ পীরিবশিংদা মরুওইনা ৱার্ক চার্জ, মষ্টররোল, কেজ্যুএল, হোম গার্দ ইমপ্লোয়ীশিংগী ৱেজেজ অমদি লেবরনচিংবগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা ফোর্ম মেনশিন্দুনা জুলাই ৩১দা পীখৎলক্লবা পি ঐচ ক্যুদা চে থারমই। অদুবু হায়রিবা মরোল অসি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১১ খক্তদা ফংই। মরম অদুনা পাউ থেংনবা ফংবনা মরম ওইরগা দাগতা লৈবা চে অমফাওবা ভী দি এফশিংনা পীখৎতবগী মতাংদা থা ৩গী মতম পীবিনবা অমসুং পীথোক্তনা লৈরিবা ওনরেরিয়মসুং পীথোকপীনবা ৱাকৎ চে অমা দি জি পি মণিপুর অমদি এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১১দা থাজিনখি। মসিগী মখা তারকপদা চীফ মিনিষ্টরদা থা অসিগী ৩দা অদুগুম্বা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে। লোয়ননা মথং নুমিৎ থা অসিগী ৪দা চীফ মিনিষ্টর উননবগী চেরোল অমা পীশিনখি। অদুবু ঙসি ফাওবা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অসি খঙহল্লকপা লৈতে।

মরক অসিদা, তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং চান্দেলগী ভী দি এফশিংগী ওনরেরিয়মদি পীথোক্তবা লৈতে অদুগা লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগীদি থা থাগী পীফম থোকপা রসন মণি ফাওবা পীবিদনবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। ৫শুবা পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী য়েংলগা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরবসু খাংদুনা লাকপনি। মরম অদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী মমাঙদা ভী দি এফশিংগী অপীকপা ওনরেরিয়ম খরা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীবিদবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা লৈরিবা ভী দি এফশিংনা মরম চাবা ৱাকৎ কয়া মায়কৈ কয়াদগী মরুওইনা ওনরেরিয়ম পীথোক্ত্রিবা মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী লাকপনা মরম ওইরগা মিটিং অদুদা ৱারেপ কয়া লৌরে হায়রি।

থা অসিগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পূক্লিং চঙবীদুনা থা ২গী পীথোক্তনা লৈরিবা ওনরেরিয়ম পীথোক্তবা থোক্লবদি থা অসিগী ১৭তা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লগনি।

চৈরকসিদা, মথক থোংবা ওফিসারশিংনা মখা থাবা ভী দি এফশিংদা নম্ফুদা দ্যুটি তৌহনবীদনবা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা ভী দি এফশিংনা লৌরিবা ফিরেপ অসিগী মায়োক্তা দ্যুটি তৌরম্লবা মতম অদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং খূদিংমক মশা অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা পুগদবনি হায়রি।

জে এ সী শেমদুনা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): লাই পাঙ্গলবা ৱিমন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন হিয়াংলমনা শীন্দুনা হিয়াংলম লাই পাঙ্গলবা শঙলেন্দা থা অসিগী ১০দা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ওজাদা মরাল থংজিল্লিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অরানবা ৱাফম শন্দোরক্লিবশিংগী মথক্তা চৈরাক পীবিনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিবু মরম চাদবা মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনরকপবু থেংনবা অমদি কেস চত্থরিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা স্কুলদা চত্থরকপা য়ৈখাই থিঙ্গাইবা চত্থরকপদা চপ চানা থেংনবা হায়না ৱারেপ লৌখি। জে এ সী অমা শেমদুনা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

এলাংবম সুলোচানা একাদেমি স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী তুংগী কেরিয়রগীদমক য়েংবীরগা সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন হিয়াংলম লাই পাঙ্গলবনা স্কুল অসিবু থিংজিন্নবা হোৎনরকপসি য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অম্বানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না ঙরাং এদভোকেট সলাম দামুদোর লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙ-দোকপা মীফম অমা চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা এস তরা জজ ফেমিলি কোর্ট মণিপুর, টি ঐচ সাইমন স্পেসল জজ এন দি এন্দ পি এস মণিপুর, এ নৌতুনেশ্বরী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ (এফ টি সী) সী এ দব্লিয়ু মণিপুর, দব্লিয়ু তোনেন মীতৈ এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্স সেসন্স জজ (এফ টি সী) ইম্ফাল ইষ্ট এন্দ ৱেষ্ট অমসুং সিনিয়র এদভোকেট অমদি অম্বাগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ঐচ চন্দ্রজিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

অম্বাগী মেম্বরশিংনা থা অসিগী ৮দা এদভোকেট অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি। মীফম অদুনা ঙরাংগী কোর্টকী থবক থৌরমশিং অয়ুক পুং ১১দগী সস্পেন্দ তৌখি হায়রি।

লৈমখোংদা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): রেদ সিল্ড দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা সেনাপতি ব্রিগেদনা শীন্দুনা এ আর ও রঙ্গপহারদা থা অসিগী ৩দগী ১৭ ফাওবা অমসুং লৈমখোংগী কে ভী ফুটবোল গ্রাউন্দদগী থা অসিগী ১০দগী ১৭ ফাওবা রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্লি।

রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অদুদা দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল দিপার্টমেন্ট মেদিকেল টিম য়াওনা সিবিল এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী মীহুৎশিংসু য়াওরি অমসুং রেল্লি অদু মনুং-মপান ফাওনা উবা মওংদা অচান-মীরাই নাইদনা পাঙথোক্লি হায়রি।

থা অসিগী ৩দগী ১৭ ফাওবা অমদি থা অসিগী ৮দগী ১৭ ফাওবা ফিজিকেল টেষ্ট পাঙথোক্কনি অমসুং থা অসিগী ১০দগী ১৭ ফাওবনা মেদিকেল টেষ্ট পাঙথোক্কনি হায়রি।

রেল্লি মফমদা নুমিৎ খূদিংগী কেন্দিদেট ২০০০ হেনবনা রিপোর্ট তৌবগা লোয়ননা মায় পাক্লা রেল্লি অসি চত্থরি। পুন্না কেন্দিদেট ১৪৪১৫ রেজিষ্টর তৌবগী মনুংদা কেন্দিদেট ১০৪৬৬না থা অসিগী ৩দগী ১৭ ফাওবা অমসুং ৮দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রন টেষ্ট অসিদা শরুক য়ারি।

ইন্দিয়ন আর্মিদা সোলজর (জেনরেল দ্যুটি), সোলজর টেক্নিকেল, সোলজর (ক্লর্ক এস কে টি), সোলজর নর্সিং এসিষ্টেন্ট, সোলজর ট্রেদমেন অমসুং হবিলদার এদ্যুকেসনগী পোষ্টশিং লৌগদৌরিবনি। রিক্রুটমেন্ট রেল্লি অসিদা কেন্দিদেট ২০৪৫ রোম ফিজিকেল টেষ্ট পাস তৌখ্রে।

কম্মন এন্ট্রাষ্ট এগজামিনেসন অসিগীদমক্তা খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ২৯দা রঙ্গপহারদা পাঙথোকপা এগজামি-নেসন্দা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

জীরিবামদা পঞ্চায়ট মীখলগী ভোট মশীং থিবগী থবক চত্থরি

জীরিবাম, ওক্টোবর ১১(জে এন এন): মঙাশুবা পঞ্চায়ট জীরিবামদা পাঙথোকখিবা অদুগী ভোট মশীং থীবগী থবক চত্থরি হায়রি।

জীরিবাম দিষ্ট্রিক্ট দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী কেম্পসতা ঙসি অয়ুক পুং ৮দগী ভোট মশীং থীবা হৌখি। জীরিবাম দি সী অমসুং দি ঈ ওসু ওইরিবা রোবর্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম অমদি আর ও/এ দি সী জীরিবাম এ শিবদাস শর্ম্মাগী মীৎয়েং মখাদা টেবল তরুক্তা ভোট মশীং থীবগী থবক চত্থরি। রিপোর্ট অসি ফংবা ফাওবদা ৱার্দ মেম্বর ৫৭কী ভোট থীবা লোইখিবগা লোয়ননা রিজল্ট হায়দোকখ্রে অমদি প্রধান তরুক্কী ভোট মশীং থীবগী থবক চত্থরি। প্রধান তরুক্কী মনুংদা ২/৬ জকুরাধোর গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা সধনা দাসনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা প্রতিভা দাসতগী ভোট মশীং ১৫৫ হেন্দুনা মায় পাকখ্রে। লেমহৌরিবা প্রধানগী সিট মঙা লোয়ননা জিলা পরিষদ অনীগী রিজল্ট ঙাইনরি হায়রি।

সী আর পি এফনা উ চারা থাখ্রে

জীরিবাম, ওক্টোবর ১১(জে এন এন): নেসনল দিজাষ্টর রিদক্সন দে থৌরমগা মরী লৈননা ৮৭ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ হেদক্বার্টর এস টি সী/সী আই এ টিনা শীন্দুনা উহৈ পানবা উ চারা কয়া য়াওনা উ চারা কয়া বট্টালিয়ন অসিগী কমপ্লেক্সতা থাখ্রে।

উ থাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৮৭ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা ফোঙদোকখিবদা মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোকপা হন্থহন্নবা অমসুং নুংশিৎ-নুংশা শেংহনবগা লোয়ননা অন্দরগ্রাউন্দ ৱাটর লেবেল কায়দনা থম্নবা অমদি সোইল পোল্যুসন্দগী ঙাকথোক্লবা উ চারা থাবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ৮৭ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কম্মান্দেন্ট সুনিলকুমারগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা উ চারা থাবগী কেম্প অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী ওফিসারশিং অমদি মীওই কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

এমসুনা কাঙলূপ ফুরুপ অমত্তদা অতম্ননা থবক লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): মণিপুর মহৈরোয়শিংগী অপুনবা লূপ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ঙসি ফাওবদা থবক তৌদুনা কাঙলূপকী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং ফুরুপ নাইবা মওংদা থবক তৌবা লৈত্রি। মসিদা কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা লন্নাই মীওইনা লান্না উবিগনু। মহৈরোয় অমগী পূন্সিবু মাঙহন্নবা হোৎনরিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী থৌওংদগী এমসুনা কন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

এমসু হেদক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট অমগী ওথোরিটিনা মশাগী ওফিসল কেপাসিটিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নদুনা ইচম চমজবা মীওই অমগী কেরিয়র অমদি পূন্সি লৈখা তাহন্নবা হোৎনরিবা অসিদগী কলহৌনবা অমসুং অরানবা তৌরিবা ওথোরিটি অদুবু চৈরাক পীনবা হোৎনবনি। মসিদা কাঙলূপ, ফুরুপ অমত্তদা অতম্ননা থবক লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে।

মতাং অসিদা ওর্গনাইজেসন খরনা য়াম্না অখুবা মীৎয়েংদা কাঙলূপকী ওইবা ৱাফম পুশিল্লক্তুনা খোঙজং অসি নাথৈনবা অমসুং লৈবাক ময়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসিমক লাইবক থীবনি অমসুং মসি তৌবীগনু হায়রি।

দেপ্যুটি দিরেক্টর টি আর আইগী ৱাফম অসি ভীক্টিম ওইরিবা মহৈরোয় অসিগী ৱা তারবা মতুংদা য়াম্না কুপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা এমসুনা তরেৎ তরা থোক্লা খল্লগা পায়খৎলকপা থবকনি। মণিপুরগী মহৈরোয় খুন্নাইবু গভর্ণমেন্ট অসিগী সিষ্টেম মনুংদা ওথোরিটি-শিংনা নৈহৎপীবদা নত্তনা করপ্সন, ফেবোরেটিজম, নেপোটিজমগী খয়াৎতা তাদুনা মাঙখিগদবদগী কলহৌদবা য়াদে হায়দুনা এমসুনা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

গভর্ণমেন্ট অসিগী দিপার্টমেন্ট অমা হায়বদি সোসল ৱেলফ্যের, পি দব্লিয়ু দি, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অমা হেক্তা ওইরসবু খোঙজং অসি চত্থগনি। মসিদা অতম্ননা টি আর আইগীদা তাই হায়দুনা চঙশিনখিবা লৈতে। মসি গভর্ণমেন্ট অসিগী অরানবা তৌবশিংগী মায়োক্তনি।

মমাঙদসু এম ও বি সী দিপার্টমেন্টনা অরানবা তৌবগীদমক্তা মখোয়গী মথক্তা মহৈরোয়শিংগী চাকথুং মৎপা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখি। এমসু চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা খূদিংমক্কী য়াইফনবনি অমসুং চাউখৎনবনি। মসিদা মণিপুরদা লৈরিবা চীং অমসুং তমগী মীপুম খূদিংমক্লা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা তোঙান চার্জ কয়া তৌরিবা অসিগী অশোয় অরান অমদি অচুম চুমদা খূদিংমক কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা লন্নাই মীওইশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না অকুপ্পা মরোল খঙবিনিংলবদি এমসু হেদক্বার্টরদা লাকপীরগা খঙবীবা য়াগনি। এমসু মীয়ামগীনি অমসুং মীয়ামগীদমক এমসুনা লেপ্পি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং লাইবক থীবা থৌদোক অমা ওইনা দি এম কোলেজ ওফ কর্ম্মসকী কেম্পস মনুংদা শকখঙদবা মীওই খরনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা কোলেজ অসিগী একাদেমিক এটমোষ্টফ্যের অকায়বা থোকহনখিবা থৌদোক মণিপুর মহৈরোয়শিংগী অপুনবা লূপ এমসুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মহৈরোয়শিংগী মহৈলোয়শঙ ওইরিবা কোলেজদা বোম লংশিন্দুনা মীচম মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংবু অকি-তুজুংবা পোকহনবা হায়বসি পাংদবগী থৌওংনি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌওং অমুক হন্না তৌবীদনবা মহৈরোয় লূপ অসিনা আপিল তৌরক্লি। লোয়ননা ইম্ফাল ময়োলমক্তা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক থোক্লবা ফাওবদা মণিপুর পুলিস অমদি লৈঙাক্লা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখত্তবসি এমসুনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। অথুবদা থৌদোক অসিগী মরী মখোঙ মীয়ামদা কঙহন্দুনা মীচম মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংদা অকি-তুজুংবা পোকহন্দনবা লৈঙাক অসিনা হোৎনগদবনি হায়রি।

বেটি বচাও, বেটি পরাওগী নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): সোং এন্দ দ্রামা দিভিজন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, এন ঈ আর গুৱাহাটিনা শীন্দুনা বেটি বচাও, বেটি পরাওগী নোংমগী ওইবা ওরেন্টেসন ৱার্কশোপ অমা সোং এন্দ দ্রামা দিভিজনগী রিয়ার্সেল হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সুরেন্দ্র এ শিশক জোইন্ট দিরেক্টর সোসল ৱেলফ্যের গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, বিপুল কোর এ দি (ঐচ ও ও) এস এন্দ দি দি গুৱাহাটি রিজনেল সেন্টরনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কোনি পোৎশংবমনা বেটি বচাও, বেটি পরাও হায়বা থিমদা রিসোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। রেজিষ্টর তৌরবা প্রাইভেট ট্রুপ নিপান্না ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখি। মখা তাবা কেম্প্যেন সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখি হায়রি।

মেয়র, কাউন্সীলরশিং চঙহনখিদ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন্না ৬শুবা পে পীনবা দিমান্দ তৌদুনা চঙশিল্লকপা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্তা মরী লৈননা আই এম সীগী মেয়র অমদি কাউন্সীলর খূদিংমক কেম্পসতা চঙহন্দনা লৈরিঙৈদা ওপোজিসনগী কাউন্সীলর খরা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ওফিসতা চঙলগা প্রেস কনফরেন্স তৌরম্ববু খোইশাওনরবা ইমপ্লোয়ীশিংনা তানখায়খ্রে হায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস নিমাইচান্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।